# ইন্দিয়া অমসুং মালদিবসনা সাইবর সেক্যুরিটি, দিফেন্স, ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপমেন্ট য়াওনা পেক তরুক খুৎয়েক পীনখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২ (এজেন্সী): ইন্দিয়াদা খোঙচৎ অমদা লাক্লিবা মালদিবসকী প্রসিদেন্ট ইব্রাহিম সোলিনা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগা ৱারী শান্নখিবগা লোয়ননা লৈবাক অনীগী মরক্তা সাইবর সেক্যুরিটি, দিফেন্স অমদি আর্কিপিলাগো অদুদা পুলিস ফেসিলিটিশিংগী নেটৱার্ক অমা শেমগৎপগী ৱাফম য়াওনা এগ্রিমেন্ট তরুক খুৎয়েক পীনখ্রে।

মালদিবসকী প্রসিদেন্ট ইব্রাহিম মোহম্মদ সোলিগা ৱারী শান্নরবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খি, মদুদি ক্রাইক, টেররিজম অমসুং দ্রগ ট্রাফিক্কিংগী থ্রেট অসি ইন্দিয়ন ওসিন রিজনদা তরাইনা লৌবা য়াদে। মায়কৈ অসোমদা য়েংলকপদা ইন্দিয়া অমসুং মালদিবসকী মরক্তা অচেৎপা মরী থম্নবা অসিনা লমদম অপুম্বা অসিদা মরা তপ্পা ফিভম লিংবদা য়াম্না মতেং ওইগনি।

নুমিৎ মরিনিগী খোঙচৎদা ইন্দিয়াদা লাক্লিবা প্রসিদেন্ট সোলিনা হায়খি, মহাক অমসুং পিএম মোদিনা টেররিজম থেংননবা অমুক হন্না ৱারেপ লৌমিন্নরে। ইন্দিয়া অমসুং মালদিবসকী মরী অসি দিপ্লোমেসিগী ৱাংমদনি হায়না পল্লদুনা সোলিনা হায়, মহাক্কী লৈবাক ইন্দিয়াগী অশেংবা মরুপ অমা ওইনা অদুম লৈগনি।

জোইন্ট প্রেস ষ্টেটমেন্ট অমদা সোলিনা হায়, মসিগী খোঙচৎ অসিনা লৈবাক অনীগী মরক্তা অচেৎপা মরী লৈনৈ হায়বসি কনফার্ম তৌরে। পিএম মোদিনা হায়, কোভিদ পেন্দামিক্কা শিংনবা কয়া পীদুনসু লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈনরিবা কো ওপরেসন অসি মপুং ফাবা পার্টনরশিপকী মওং অমদা লাক্লবনি। মালদিবসনা মথৌ তারকপা নত্ত্রগা ক্রাইসিস অমা মায়োক্লরকপা মতমদা ইহান হান্না রেস্পোন্দ তৌরিবা লৈবাক্তি ইন্দিয়ানি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়া অমসুং মালদিবসকী পার্টনরশিপ অসিনা লৈবাক অনীগী মীয়ামগী পুন্সি মহিং হেন্না ফগৎহনবদা নত্তনা মরী অসিনা লমদম অসিদা তং তাবা ফিভম অমা লিংবদসু মতেং ওইরি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মালদিবস নেসনেল দিফেন্স ফোর্স (এম এন দি এফ) দা লেন্দিং ক্রাফট এসোল্ট (এফসিএ) অমা পীবগা লোয়ননা সিজিএস হুরাবিগী মহুৎ শিনবা য়াবা অতোপ্পা ৱারশিপ অমসু পীরগনি হায়না লাউথোকখি। সিজিএস হুরাবি অসি কুমজা ২০০৬ তা মালদিবসতা পীখিবা নেভেল পেট্রোল ভেসেলনি। ইন্দিয়াগী এক্সিম বেঙ্ক অমসুং মালদিবসকী ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিনা মালদিবসকী ঈথৎ ৬১ দা পুলিস ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎনবগী দোল্লর মিলিয়ন ৪১ গী বায়র্স ক্রেদিট পীনবগী এগ্রিমেন্ট অমসু খুৎয়েক পীনখি।

ইন্দিয়ানা এমএনদিএফতা য়ুটিলিটি ভেহিকল ২৪ সু পীরগনি। ওফিসলশিংনা হায়, ইক্বিপমেন্ট অসিনা এমএনদিএফকী মেরিটাইম সর্ভিলেন্স অমসুং সেক্যুরিটি কেপাসিটি হেনগৎহল্লগনি।

পনবা য়াবদি, ইন্দিয়ানা মমাঙদা অতৈ দিফেন্স হার্দৱায়রশিং পীবগা লোয়ননা মালদিবসতা কোষ্টেল রাদর নেটৱার্ক অমা শেমগৎপদসু মতেং পাঙখি। মদু মার্চতগী ওপরেস্নেল ওইখি। ইন্দিয়াগী কম্পেনি কয়া হৌজিক গ্রেটর মালেদা সোসল হাউজিং য়ুনিট লিশিং মরি শানবগী প্রোজেক্ট অনীদা ইনগেজ তৌরিবনি।

ন্যু দিল্লিদা ওফিসল প্রোগ্রাম কয়াদা শরুক য়াবদা নত্তনা সোলিনা মুম্বাইদসু চত্তুনা বিজিনেস ইভেন্ট কয়াদা শরুক য়াগনি। ঈথৎ লৈবাক অসি ইন্দিয়ন ওসিন রিজনদা ইন্দিয়াগী মরু ওইবা য়ুমথংনবা লৈবাকনি অমসুং ইন্দিয়াগী য়ুমথংনবদা অহানবা মীৎয়েং থম্বগী পোলিসিদা ঈথৎ লৈবাক অসিনা অখন্নবা মফম অমা কন্দুনা লৈরিবনি। হৌখিবা চহী খরগী মতম অসিদা লৈবাক অনীগী বাই লেটরেল মরী শীংথানিংঙাই ওইনা ফগৎখি।

# মনি লোন্দরিং কেসতা কংগ্রেসকী লুচিংবা সিবকুমার অমসুং অতৈ বেল পীখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২ (এজেন্সী): ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্তরেট (ইদি) না রেজিষ্টর তৌখিবা কুমজা ২০১৮ গী মনি লোন্দরিং কেস অমগা মরী লৈননা দিল্লিগী কোর্ট অমনা কংগ্রেসকী কর্নাটকা য়ুনিটকী চীফ দিকে সিবকুমার অমসুং অতৈদা বেল পীখ্রে।

সিবকুমার, ওন্ট্রপ্রেনর সচিন নরায়ন, ট্রান্সপোর্ট ওনর সুনিলকুমার শর্ম্মা, কর্নাটকা ভাবনগী এমপ্লোয়ি হোমন থিয়া অমসুং রাজেন্দ্র এননা ফাইল তৌখিবা বেল এপ্লিকেসনশিং রাউস এভেন্যু কোর্ট কমপ্লেক্সকী স্পিসল জজ বিকাস ধুলনা বেল এপ্লিকেসনশিং অদু খন্নখিবগা লোয়ননা মখোয় খুদিংমক লুপা লাক্ষ ১ গী পর্সনেল বোন অমদি মান্নবা শেনফমগী সিয়ুরিটি অমমম পীবদা বেল অদু য়াখি।

কোর্টনা মখোয়দা মাঙজৌননা কোর্টকী অয়াবা য়াওদনা লৈবাক অসি থাদোক্তুনা চৎতনবা অমসুং ইভিদেন্সতা টেম্পরিং তৌবা নত্ত্রগা ৱিটনেসশিংদা ইথিল পীবনচিংবা অমত্তা য়ারোই হায়নসু খঙহনখি।

হিয়ারিং অদুদা পিটিস্নরশিংনা সিবকুমার অসি দিল্লি হায় কোর্টনা বেলদা থাদোকখ্রবনি হায়বা ৱাফম থমখিবগা লোয়ননা ইদিনা সুপ্রিম কোর্টতা চেলেঞ্জ তৌখিবদসু দিসমিস তৌখ্রবনি হায়বা ৱাফমসু থমখি।

কেস অসিগী মতাংদা ইদিনা হায়রি, মদুদি কংগ্রেসনা লৈঙাক পায়রিঙৈ মনুং সিবকুমারনা ষ্টেট অসিগী কেবিনেট মিনিষ্টর অমা ওইরিঙৈদা মহাক্না অতৈ এক্যুজ মীওই খরগা লৌতুনরগা পীফম থোকপা টেক্সশিং পীখিদবদা নত্তনা লোনা য়াদবা শেনফমশিং বেঙ্গলুরুদগী দিল্লিদা পুদুনা অচৌবা শেনফম অমা তানখি।

কুমজা ২০১৭ গী ওগষ্ট ২ দা ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা এক্যুজ মীওইশিং অসিগী দিল্লিদা লৈবা তোঙান তোঙানবা প্রোপর্টিশিংদা থি হুম্বা অমদি ইল্লিগেল পোৎলমশিং ফাবগী ওপরেসন চথুখি। থি হুম্বা অদুদা একাউন্ট লৈতবা শেনফম লুপা ৮,৫৯,৬৯,১০০ ফাখি হায়না প্রোব এজেন্সি অসিনা ফোঙদোকখি।

পিটিস্নরগী কাউন্সেলনা মহাক্কী সবমিসনদা হায়রিবদি ইদিনা একাউন্ট লৈতবা শেনফমশিং রিকোভর তৌখিবা অমদি ইনকম টেক্স এক্ট ১৯৬১ গী মখাদা টেক্স ভাইওলেসন তৌখিবগী ৱাফমগী মতাংদা হায়বা য়াবদি পিএমএলএগী সেদ্যুলদা য়াওবা মরম্না মসি ওফেন্স অমনি হায়না লৌবা য়াদে।

# য়ুমথক্তা ট্রাই কলর পাইহন্নবা জেপি নদ্দানা সিটিজনশিংদা আপিল তৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২ (এজেন্সী): পিএম নরেন্দ্র মোদিগী অনিংবা অমসুং আপিল থুংহন্নবগীদমক য়ুমথক্তা, এপার্টমেন্টশিং অমদি ইষ্টাব্লিসমেন্টশিংগী মপানদা নুমিৎ হুম্নি হায়বদি ওগষ্ট ১৩ দগী ১৫ দগী ফাওবা ট্রাই কলর হাইহন্নবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা বিজেপিগী চীফ জেপি নদ্দানা সিটিজনশিংদা আপিল তৌখ্রে।

সিটিজনশিংদা ইফোঙ ফোঙনা আপিল তৌরদুনা নদ্দানা হায়খি, মদুদি লৈবাক অপুম্বনা ঐখোয়না নিংতম্বা চহী ৭৫ মপুং ফারকপগা মরী লৈননা অমৃট মহটসব পাঙথোক্লি। লোয়ননা লৈবাক অসিনা চহী অসিদা ঐখোয়গী মমল য়াম্লবা ফ্রিদম ফাইটরশিং অমসুং মার্ট্যরশিং নীংশিংলি। ঐখোয় পুম্নমক্না থৌরম অসিবু পুৱারীদা লৈহৌনবা অমদি নীংশিংদুনা লৈননবা হোৎনবা য়াবা পুম্নমক হোৎনরি।

ঐখোয়গী পিএম মোদিনা অজাদি কা অমৃট মহটসব সেলেব্রেট তৌননবা প্রোগ্রাম অমসুং ফঙ্কসন কয়া থৌরাং তৌরে। প্রোগ্রামশিং অসিনা ঐখোয়গী নেসনেলিজম উৎথোকপগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না ইমা লৈবাক্কীদমক্তা কখোক্তুনা লৈ হায়বসিসু উৎকনি।

বিজেপিগী লুচিংবা অসিনা মখা তানা হায়খি, মদুদি পিএমনা অজাদি কা অমৃট কাল অসিবু ইন্দিয়ন খুদিংমক্না নীংশিংদুনা লৈগদবা অমা ওইহনবা পাম্মী। মরম অদুনা ওগষ্ট ১৩ দগী ১৫ ফাওবা "হর ঘড় টিরঙ্গ" প্রোগ্রাম সেলেব্রেট তৌনবা ৱারেপ লৌরিবনি।

প্রোগ্রাম অসিদা লৈবাক অসিগী সিটিজন খুদিংমক্না নুমিৎ হুম্নি চুপ্পা মখোয়গী য়ুমশিংগী মথক্তা লৈবাক্কী ফিরাল পায়হনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# ইন্দিয়াদা মঙ্কিপোক্সকী কেস নিপান শুরে: মন্দাবিয়া

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২ (এজেন্সী): ইন্দিয়াদা হৌজিক ফাওবদা মঙ্কিপোক্সকী কেস নিপান থেংনরে হায়না য়ুনিয়ন হেল্‌ঠ মিনিষ্টর মান্সুক মন্দাবিয়ানা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা রাজ্য সভাদা ফোঙদোকখ্রে।

মঙ্কিপোক্সকী মরমদা গভর্ণমেন্টনা মীয়াম্বু এৱার্নেস পীননবা করি করি খোঙথাংশিং লৌখৎলবগে হায়না হংবদা মিনিষ্টরনা হাউসতা মহাক্কী পাউখুম পীরদুনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, মদুদি লৈবাক অসিদা হৌজিক ফাওবদা থেংনরিবা অপুনবা কেস নিপানসিগী মনুংদা কেস মঙাদি মপানদা চৎলুবগী হিষ্ট্রি লৈ।

সোর্স অমগী মতুং ইন্না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা দিল্লিদা মঙ্কিপোক্সকী অহুমশুবা কেস কনফার্ম তৌদুনা লৈবাক পুম্বগী ওইবা লায়না অসিগী কেস মশিং নিপান শুখিবনি।

সোর্স অসিনা মখা তানা হায়, হন্দক্তা চখোক চৎশিন তৌবগী হিষ্ট্রি লৈতবা ফোরেন নেসনেল অমা দিল্লিদা টেষ্ট তৌবদা মঙ্কিপোক্স পোজিটিব ওইরম্লে। মসি দিল্লিদা থেংনবা মঙ্কিপোক্সকী অহুমশুবা কেসনি।

চৈরকসিদা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা য়ুএইদগী কেরলাদা হল্লকপা মীওই অমসু মঙ্কিপোক্স পক্লে হায়বসি লৈবাকপোকপা নুমিত্তা কনফার্ম তৌখ্রে। মসি ষ্টেট অসিগী ওইনা লায়না অসিগী মঙাশুবা কেসনি।

## GOVERNMENT OF MANIPUR
## SECRETARIAT: LAW & LEGISLATIVE AFFAIRS DEPARTMENT
## / NOTIFICATION

Imphal, the 01st August, 2022

No.7/8/2022-GA/L (efile no. GAP-1/9/2022-SEC-LAW): In continuation of this Department Notification No.7/8/2022-GA/L (efile no. GAP-1/9/2022-SEC-LAW) dated 15.07 2022 Reg calling of application from intending practicing Advocates for selection of candidate for appointment as Deputy Government Advocate (High Court) on contract basis on payment of Rs. 33,850/- (consolidated) [pre-revised GP 6600] per month] for one year (extendable) in the office of Public Prosecutor-cum-Government Advocate (High Court), Manipur published in local dailies namely Hueiyen Lanpao (Manipur edition) and Sangei Express (English edition) on 16th and 17th July, 2022, **it is hereby to notify that the date for issuing of APPLICATION FORM is extended from 29.07.2022 to 12.08.2022 and LAST DATE of submission of forms is also extended from 05.08.2022 to 22.08.2022.**

2. For details, please contact Law & Legislative Affairs Department Section Room no. 109, Manipur Secretariat, North Block (Annexe), Imphal during office hours on the aforesaid dates.

**Sd/- Henry Alemo Francis**
**Deputy Secretary (Law)**
**Government of Manipur**

HL-P/7777/3,4

## COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION, MANIPUR
## / NOTIFICATION

Imphal, the 2nd August, 2022

No. 3(11)/1/10-HSC(Vol.-I)/7518: It is, hereby, notified for information to all concerned Principals/Head of institutions of Colleges having +2 Courses and Higher Secondary Schools under the Council that online submission of Enrolment for Classes XI and XII to the Council website **https://cohsemmanipur.nic.in** and submission of completed Registration forms for Classes XI & XII (admitted with eligibility permission in Classes XI- XII) for the Academic Session, 2022-2023 to the Council office shall be conducted as under:

| Sl. No. | Class | Fees | Date for commencement of online registration | Last date for online submission of Enrolment | Last date for submission of forms/statement to the Council |
|---|---|---|---|---|---|
| 1. | XI | Rs 800/-[Cost of Application form, Registration fee and Enrolment fee] | 8-8-2022 | 16-9-2022 | 21-9-2022 |
| 2. | XII | Rs. 850/- [Enrolment fee and Original Certificate fee] Rs. 1300/- [Cost of Application Form, Registration fee, Enrolment fee and Original Certificate fee] for students admitted in Class XII with Eligibility Permission | 8-8-2022 | 16-9-2022 | 21-9-2022 |

The prescribed Registration Application Form may be available from the Council Office or may be downloaded from the Council website **https://cohsem.nic.in.**

Further, it is informed that correction of student(s) data due to inadvertent mistake(s) from the institution side may be done on or before the last date of online submission without charging any fees. For correction of any mistake beyond the last date, correction fee fixed by the Council from time to time shall be charged.

**Sd/- Ch. Biren Singh**
**Secretary, Council of Hr. Sec. Edn., Manipur.**

HL-P/7779/3

AFFILIATED TO COUNCIL OF HIGHER SECONDARY SCHOOL, MANIPUR
ACI SCHOOL
A Co-educational Higher Secondary School
Kwakeithel Akham Leikai, Imphal
A school of Advanced Coaching Institute & Under the guidance of Human Resource Centre & Research Institute
ADMISSION OPEN
FOR
XI SCIENCE & XI ARTS
SPECIAL FACULTY MEMBERS
1. Physics – Dr. Devadattamani / Dr. Joyshankar/ Dr. Bidyakanta (IIT)
2. Chemistry - R.K. Bahadur / Manglembi NET (PhD)
3. Maths – Dr. Sanjit / Kiranmala (Gold medalist)
4. Zoology – Dr. Ranjita/ Kh. Seityabati
5. Botany – Dr. Bijen / Dr. Thajamanbi
Supported by special faculty members of ACI
FEATURES
1. For Position holders in the HSLC exam Free ship + Book Grant + Scholarship
2. Students who scores 85% & above Admission free + Half tuition free + scholarship
3. Students scores 80% and below 85% Admission free+Scholarship+Book Grant
4. Students scores 75% and below 80% Half Admission free + Book Grant
5. Students score 70% and below 75% Half Admission
6. Students score 60% and below 70% Direct Admission
World class standard classroom with Smart Class
Contact : 9862992105
www.advancecoachinginstitute.com
Direct admission - 45% and above under conditions
For few seats available
Form available: Office of Advanced Coaching Institute (offline)
HL-B/7769/ 29/7 to 7/8 Aug

ADVANCED COACHING INSTITUTE (HURRY! LIMITED SEAT)
THE LARGEST, TRUSTED & PREMIER COACHING INSTITUTE IN IMPHAL, MANIPUR
FOUNDATION COURSE FOR NEET /JEE
2YEARS FOUNDATION COURSE FOR CLASS XI APPEARING STUDENTS
(SURE TARGET TO FIRST ATTEMPT) FREESHIP FOR POSITION HOLDERS IN HSLC
1YEAR FOUNDATION COURSE FOR XII APPEARING STUDENTS
ONCE U ARE ADMITTED WITH DETERMINATION WE WILL SUPPORT U UNTIL SELLECTION WITHOUT ANY FEE
SPECIAL CONCESSION FOR THOSE STUDENTS WHO R FINALCIAL POOR AND MERITORIOUS
7 MONTHS FOUNDATION COURSE FOR CLASS XII PASSED STUDENTS
WORLD CLASS (A.C. ROOM) SMART CLASS WI. FI CAMPUS
1. SPECIAL SUNDAY TEST SERIES & MONTHLY MOCK TEST
2. STUDY MATERIALS BASED ON NCERT & PREVIOUS YEAR QUESTION AND ANSWER
3. Well Experienced faculties
4. separate boys & girls hostel
MEDICAL AND ENGINEERING CLASS WILL BE STARTED FROM 4th and 18TH August
For more detail pliz visit facebook page/instagram & utube of Advanced Coaching Institute and website to www.advanceecoachinginstitute
LIMITED SEAT VAN SERVICE
BATCHES : 5 –9AM 6--9AM 12—3PM 4.30– 7.50pm
For Query : 9862992105 NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI BRANCH & KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI BRANCH
HL-B/7769/ 29/7 to 7/8 Aug

FREE COACHING FOR CLASS X COMPARTMENTAL
Orgd. By
Human Resource Centre & Research Institute
SURE STEP TO MAKE SUCCESS
BATCH
ENGLISH : 4.30 TO 5.30 A.M.
MATHS : 5.30 TO 7.00 A.M
SCIENCE : 7.00 TO 8.30 A.M.
SOCIAL SC. : 8.30 TO 10 A.M
MIL : 10 TO 11.30 A.M
FREE FOODING AND LODGING FOR S.T /S.C & OBC STUDENTS UNDER CERTAIN CONDITIONS
FIRST COME FIRST SERVE
LIMITED SEATS
FEW SEATS REMAINING
HEAD OFFICE : NAGAMAPAL BRANCH & KWAKEITHEL BRANCH
CONTACT FOR DETAIL : 8787586090
HL-B/7769/ 29/7 to 7/8 Aug